ফ্লাইটতা পুরকপা...

লামায় ১গী মখা... লোয়নন অথুবা মতমদা পোৎ পুশিল্লক্লিবা এয়রপোর্ট ওথোরিটি অমদি মসিগী লল্লোন-ইতিক তৌবীরিবা মীওইদা অকন্নবা মীৎয়েং চঙবীরগা মণিপুরদগী কোভিদ-১৯ অসি ঙাকথোকপদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংনবা লৈঙাক্লা শীনবীয়ু হায়খি। তুংদা ফাগৎলবা ক্বা মনাশিং অদু অহানবদা চঙাঙ্গৈ লম্পাক্তা মৈ থাবা হৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯গী প্রোব্লেম লৈবদগী মতুংদা চঙাঙ্গৈ কবুই খুন মনাক্তা ওইনা অমুক পুরগা মীয়াম মমাঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখি হায়রি।

শুরচন্দ্রগী মথক্তা...

লামায় ১গী মখা... রেপ্লিকেসননচিংবসু ভেরিফাই তৌখ্রবনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌদুনা থমখিবনি। পনবা য়াবদি, কোর্টনা ইলেক্সন পিটিসন অসি ঙসি লিষ্ট তৌখিবদা মসিগী রেস্পোন্দেন্ট এক্স-এম এল এনা এপ্লিকান্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর-৭ অমসুং ৮ সু পুন্না লিষ্ট তৌখি।

GAS NEWS

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 18/09/2020
Valid from : 16/09/2020
Stock : 306
Time : 7.00am to 10.00am

PHAYENG INDANE
Booking upto : 24/09/2020
Valid from : 21/09/2020
Timing : 8:00 am -10:30 am
Contact 8014897823 for home delivery

PATSOI INDANE
BOOKING UPTO : 08/09/2020
VALID FROM : 01/09/2020
STOCK : 306 (DBTL ONLY)
TIMING : 8.00AM TO 10.00AM
HOME DELIVERY CONTACT NO. 9383082751 & 8259013598

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 28/08/2020
VALID FROM : 24/08/2020
STK : 306
TIME : 7:00AM -10:00AM
HOME DELIVERY DATE 22/10/2020
CONTACT NO. 7005695308, 6009772483

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 24/07/2020
Only home delivery
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

RBD INDANE SERVICE
Booking upto : 05/09/2020
Valid from : 20/08/2020
Stock : 383
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon(Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-06/10/2020
Valid from-11/09/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing : 8:00AM to 2:00PM

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING DATE : 01/07/2020
Time : 11.00am to 2.00pm
Booking and Any enquiry
Contact No. 7629045883

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 27/08/2020
Valid from : 26/08/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398, 7629076494, 8787330040
Whatsapp No. 9366502930
Office No. 6381538861
Enquiry No. 7085557686
Timing : 7.00 a.m to 11.00 a.m

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 20/09/2020
Valid from : 30/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 10/09/2020
VALID FROM : 06/09/2020
19kg AVAILABLE
TIMING : 08.00am to 10.00am
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL 7627964837 & 7627964917
NAOREM LEIKAI 9863131337
BOOKING CONTACT TIMING : 09.00 : to 11.00 am

GBD INDANE SERVICE
Booking upto :31/08/2020
Valid from : 18/08/2020
Stock :- 326
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon (Everyday Except Holiday) Contact No. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 31/08/2020
VALID FROM : 29/08/2020
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

লৈঙাক অসিনা চীং-তমগী মচিন মনাও ওইবগী অমত্তা ওইবা নুংশি লিপুন উৎপা ঙমলে : দিঙ্গো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : লৈমখোং চীংমাং ইবেনথৌ কৌনু লাইরেম্বীগী মীকোন থাগোনবগী থৌরম ইবেনথৌ কৌনু লাইরেম্বীগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেকমাই এ সীগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গো, খুরখুল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান আই শান্ত অমদি চীফ ওর্গনাইজেসন লৈমখোংগী মীহুৎশিংসু য়াওখি হায়রি। ইবেনথৌ কোনু লাইরেম্বী মীকোন থাগোনবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখিবদা ঙাকপীবা অমদি নুংশিনবা অসিদগী হেন্না অহেনবা ধর্ম্ম লৈতে। লৈমখোং চীংমাংদা লৈরিবা কাঙলূপ খুদিংমক নুংশি চান্নবা লৈমিন্নগদবনি। হৌজিক মাঙদা তাদুনা লৈরিবা মালেম পূন্বনা অমত্তা ওইনা লান্থেংনরিবা কোভিদ-১৯ হায়রিবা লাইচৎ অসি লৈমখোংদা লৈরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্কা ঐগী কাঙলূপ হায়বগী খেন্নবা থমদনা পুন্না থেংনমিন্নসি। গর্ভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯গী লৌখৎলিবা থৌদাং অসিদসু পুন্নমক্না সপোর্ট তৌবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চীফ মিনিষ্টরনা ইবেনথৌ কৌনুগী লাইশঙ শাননবা থম্মোয় শেংনা কৎচবা লুপা লাখ ১০ অদু কন্মিটিগী মীওইশিংনা লৌবীবা য়ারগনি। অদুগা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অৱাৎ অপা লৈরকপা মতমদা থম্মোয় শেংনা ইবেনথৌগীদমক কৎচগনি হায়খি।

লোয়নন মহাক্না হায়, য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক লাকপদগী মমাঙদা চীং-তম খাইবোক তানা লৈরম্না অদু ঙসিদি উখিদ্রে। চীংদগী তমদা অদুগা তমদগী চীংদা চৎপদা মচিন মনাও ওইবগী অশেংবা নুংশিনবা অদু ঙসিদি উবা ফংলে। মসিমক বিরেননা লুচিংবা বি জে পিনা লিদ তৌবা লৈঙাক অসিগী ক্রেদিটনি। মখা তানা সী এম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না হেন্না থাজবা থন্নীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৈমখোং বজারগী এক্স চেয়রমেন সেখাহাওনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা তুংদা লাক্কদবা তুংলমচৎতা ঐখোয় মশেল মচিন মনাও ওইবগী নুংশি চান্নবা অদু থবক্না উৎলসি হায়খি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ভিলেজ দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন কন্মিটিগী ফাউন্দর মেম্বর অদুগা জে এ সীগী কনভিনরসু ওইরিবা পি ঐচ জিবননা হায়, অসিগুম্বা জজ মেন্ট ফংহল্লবনিনা জে এ সী অদু ঙসিদগী দিজোল্ব তৌরে হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মীতৈ লিপুনগী থৌবু এম প্রমোদ, হাওমি ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জ াদুমনি অমদি সনামহী টেম্পল বোর্দকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

বি জে পিনা নহা লাখ ৭ থবক পীগনি ৱাশকখিবদু থবক্তা ওন্থোরক্ত্রি : এম এল এ মেঘচন্দ্র

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা নহা লাখ ৭ হেন্না থবক পীগনি হায়না ৱাশকখিবা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা চহী অহুম হেল্লবা ফাওবদা থবক পীবদি লায়রদনা নহাশিংগী য়াইফ থৌরং অমা ফাওবা পায়খৎপীদ্রি। লৈঙাক্কী অনৌবা থবক লৌনবা থৌরাং তৌবগী মহুত্তা শেল থাদদুনা এম এল এ লৈবরোমদা ওইনা থৱায় য়াওদুনা লৈরে হায়না ৱাংখেম এ সীগী কোংগ্রেস এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ৱাংজিং-তেন্থা য়ুথ কোংগ্রেস কন্মিটি (দব্লিয়ু টি ৱাই সী সী) না শীল্লগা এ সী অসিগী মনুং চনবা কাইরেনবিখোক অৱাং লৈকায়দা পাঙথোকপা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী নহাশিংতগী ওইবা য়ুথ কনভেন্সন্দা শরুক য়াখিবগী থৌরম অমদা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

এ সী অসিগী নহা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা অদুদা হন্দক্কী বাই ইলেক্সন অসিদা ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর এম হেমন্তনা মায় পাক্নবগী লম্বী কয়াগী ৱাফমদা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা মেঘচন্দ্রনা লমদম অমদা নহাশিংগী মরু ওইবা কয়া শিংথারদুনা মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিদা নহাশিংনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৈ। পোলিটিক্সতসু নহাশিংনা মরু ওইবা থৌদাং কয়া য়ারি অমসুং য়াগদবনি। হৌজিক ঐখোয়গী লমদম অসিগী নহাশিংনা খ্বাইদগী ওইনা মরু ওইনা মায়োক্লরিবা অৱাবা অসি থবক ফংদবগী অৱাবা অসিনি। হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনসু অমুক্কা হেন্না নহাশিংদা থবক ফংদবগী চৈথেং চাউনা পীরবনি হায়রদুনা লন্নাই থবক মচা মচা তৌজবা নহা কয়া থবক লৌথোরকপদগী ককঙাওনদুনা লৈরি। নহাশিংনা অসি য়ৌনা ৱাদুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা নহাশিংগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎনবা খন্নবগী মহুত্তা শেল থাদদুনা এম এল এ লৈথোক লৈশিন্দা ওইনা থৱায় য়াওরগা লৈরি। হোর্স ত্রেদিংদা শেনয়াম থাদদুনা পোলিটিক্সপু বিজিনেস ওইনা ওন্থোক্লি। বি জে পিনা পোলিটিক্স অসি লৈবা য়োনবা য়াবা বিজিনেস ওন্থোক্লে। দেম্মোক্রেসিবু ফাগি তাহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমসুং সেন্টরগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অনীমক মচিন থীবা, ওইদবা ঙাঙবদা হালেংদ্রবা শুপ্নম শাসনগী লৈঙাক ঙাক্তনি। সী এম বিরেননা লমদম অসিগী নহা লাখ ৭ রোম হেন্না থবক পীগনি হায়না ৱাশকখি। অদুগা পি এম মোদিনসু লৈবাক অসিদা নহা ক্রোর ২ রোম হেন্না থবক পীগনি হায়না ৱাশকখি। অদুবু হৌজিক চহী ৩ হেল্লবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী লৈঙাক অসিনা নহা কয়া থবক পীখ্রবগে। নহাশিংগী য়াইফ থৌরাং করি করি পায়খৎখ্রবগে। নহাশিংবু থবক ফংহন্নবা লৈঙাক অসিনা খন্ন-নৈনবগী মহুত্তা লুপা ক্রোর-ক্রোরনা খুজিং ওইরগা এম এল এ লৈথোক লৈশিন্দা হেন্না থৱায় য়াওরগা লৈবা লৈঙাকনি। চোংথোক চোংশিনদা পূক্নিং থৌগৎপা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে। অসিগুম্বা নহাশিংগী য়াইফ থৌরাং খন্দ্রবা বি জে পিদা নহাশিংনা সপোর্ট তৌগদ্রা তৌরোইদ্রা হায়বদু নৈনবীয়ু। তশেংনা হায়রবদা বি জে পিদা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা সপোর্ট তৌনবা মরম শুংলৈ লৈতে। ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী থা তরুক্কী মনুংদা অমুক্কসু বাই ইলেক্সন তৌরকপা য়াই। মরম অদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইরিবা এম হেমন্তবু মীহুৎ ওইনা থাগৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কনভেন্সন অদুদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ও সুরজকুমার, কে ঐচ লোকেশ্বর, হান্নগী এম এল এ অমিন শাহ, এম পি ৱাই সী সীগী প্রসিদেন্ট এন মহানন্দ অমদি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্কী য়ুথ, কোংগ্রেসকী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

তাওরেম কুল্লচন্দ্র মেমোরিএল মেরিট এৱার্দ ২০২০ খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : ফ্রুট্স প্লান্টেসন মিসন (এফ পি এম) মণিপুরনা শীন্দুনা খুন্বোং খুলগী ওইনা কুমসি চহীগী ক্লাস টেন অমদি ত্বেলভ এগজামদা মার্ক খ্বাইদগী হেন্না ফংদুনা পাস তৌরকখ্রবা মহৈরোয় ১২দা খুন্বোং ময়ায় লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা অহুল্লকশুবা ওইনা পীবা তাওরেম কুল্লচন্দ্র মেমোরিএল মেরিট এৱার্দ ২০২০গী ওইনা খুল অসিগী ইহান হান্না ক্লাস টেন এগজামদা ১৯শুবা পোজিসন্দা লাকখিবী মোইরাংময়ূম রোজিতাদা খূৎশিন্নখ্রে হায়না এফ পি এমগী চেয়রমেন লোকেন্দ্র লোংজম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্লাস টেন অমদি ত্বেলভ পাস তৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিংবুসু ইকায়খুম্নবা উৎখি। এম দি পেদিয়াত্রিক্স, কন্সলটেন্ট চাইল্ড এন্দ ন্যু বোর্ন স্পেসিয়েলিষ্ট শিজ হোস্পিটালগী ডো. য়াইখোম্বা তাওরেমনা মহাক্কী অপোকপা লাইওইখ্রবা মপা ইবুংঙোগী মীংদা কৎচবা তাওরেম কুল্লচন্দ্র মেমোরিএল মেরিট এৱার্দ অসি কুম্জা ২০১৭তগী খুন্বোং খুলগী ওইনা বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা এগজামদা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তারকপা মহৈরোয়শিংদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৩, লিশীং ২, লিশীং ১ অমদি খুদোল পোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎতুনা লাকখিবনি হায়রি।

নো মাই দ্যুটি হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খুল অসিগী ইহান হানবা ওইনা ক্লাস টেন এগজামদা ১৯শুবা পোজিসন্দা লাকখিবী খুন্বোংগী ব্রাইট্র একাদেমিদা তম্বী রোজিতাবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা লুপা লিশীং ৫ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়নন খুল অসিগী হায়রিবা এগজামশিং অসিদা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয় থোকচোম বোচা, ইরেংবম সুনিবালা, কোঞ্জেংবম গুনি, ওইনাম রিতা অমদি মোইরাংথেম অবেম য়াওনা মহৈরোয় ৩২দা শেলগী মতেং অমদি খুদোল পোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা য়ুরেম্বমগী জিলা পরিষদ টি ঐচ নিলমনি, ঙাইরাংবম জি পিগী উপ প্রধান কে জিনা, ডো. টি বসন্ত, ডো. য়াইখোম্বা তাওরেম, য়ারু বময়ির জিলা পরিষদ এস মংলেম্বী, সোসল ৱর্কর কে ঐচ রঞ্জিৎ, আই দব্লিয়ু এস সীগী প্রসিদেন্ট ও সমরেন্দ্র, ৱার্দ মেম্বর এল সনাতোম্বী অমদি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স খুন্বোংগী প্রসিদেন্ট এ মেঘজিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

পি টি এফ সী-১৯গী এৱ্বেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯, ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অমদি এসোসিএসন ওফ হেল্থ ক্যের ওফ ইন্দিয়াগা খূৎশম্নদুনা পূন্না চথুরকপা কোভিদ-১৯গী এৱ্বেরনেস থৌরম ঙসিসু ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না পি টি এফসী-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন চার্জ এম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি লমশাং বজারদা লমশাং নুপী খুন্নাই অপূনবা নুপী লূপ (এন আই এম পি এ এল) অমদি প্রোগ্রেসিভ য়ুথ এসোসিএসন লমশাং কৈথেলগা পূন্না এৱ্বেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। কোভিদ-১৯গী এৱ্বেরনেস থৌরম অদুদা পি টি এফ সী-১৯গী কন্ভিনর বি কে মোইরাংচা, আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চেয়রমেন ডা. ৱাই মোহেন, লমশাং নুপী খুন্নাই অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ রাসি, আই আর সী এস ইম্ফাল ৱেষ্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ও রতননা মথংশিংনা রিছোর্স পর্সন অমদি প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

এৱ্বেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা লৈঙাক্না লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবগীদমক এস ও পি কয়া থোক্লবসু মীয়াম্না অমদি লৈঙাক মশানা ইন্দবা অমদি থুগাইবদগী ঙসিদি ষ্টেট অসিদা নোংমা নোংমগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ খুদোংথিনীংঙাই ওইবা ফীভম অমা ওইরে। মরম অসিনা মীয়াম্না মালেমগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিদগী লাপ্না লৈনবগীদমক তঙাইফদনা তৌগদবা থবকশিং অমদি চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

পি টি এফ সী-১৯গী ভোলুন্টয়রশিংনা ৱাহেংবম লৈকায়দগী হৌরগা শিংজমৈ, ককৱা অমদি কাপ্পিপুর ফাওবা এস ও পি ঙাক্লা পোৎ য়োন্নবা, লৈনবা অমদি লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা মীয়াম্না তঙাইফদবা চৎন-কাঙলোনশিং মাস্ক উপ্পা, খূৎশা তোয়না হাম্বা, পোৎ য়োনবা-লৈবা অমদিমী অমগা মী অমগা ৱারী শানবদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্নবা এৱ্বেরনেস পীখি। লোয়নন পি টি এফ সীনা লমদম অসিগী খুল লৈকায়দা লেপ্পা লৈতনা চথুরক্লিবা এৱ্বেরনেসকী থৌরম অসি মখা তানা চথখিগনি হায়নসু চেরোরল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অম্বানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা কোন্দোলেন্স মীটিং অমদা এদভোকেট লাইশ্রম সেন্দোনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ তারকপদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অসি অম্বাগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলচন্দ্রনা প্রেসাইদ তৌখি। থৌরমসিদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট ২ তুমীন্না লৈখি। লোয়নন লৈখিদ্রবগী অৱাবা মায়োক্লহৌরিবা ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়াগনি হায়দুনা ৱারেপ লৌখি। পনবা য়াবদি এদভোকেট এল সেন্দো থা অসিগী ১৯ দা খঙহৌদনা লৈখিদবনি।

একুইজ ৩গী বেল হিয়রিং অমুক্কসু য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : মমাঙ থাগী ১গী নুমীদাংদা ময়ুমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদ্রগা নুংশিনবা নুপানা লুচিংবা খুৎপু অমনা গেং রেপ তৌবদগী ৱাখল তাদনা লৈরম্লবা মতুং রিমসতা লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রবী মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচাদুগী থৌদোক্কী কেসতা পুলিসনা ফাদুনা জেলদা থল্লক্লিবা অপূনবা একুইজ ৬কী মনুংদা অহুমগী বেল হিয়রিং অমুক্কসু পাঙথোক্তনা য়েথোকখ্রে।

কেস অসিদগী বেল পীবীনবা হায়জরকখিবশিংনা ময়াং ইম্ফাল হৈবোং মখোঙ মথক লৈকায়দগী এম দি সলিম খান (২১), অপোকপা এম দি মজহর চেশম অমসুং এমদি মুর মোহম্মদ (২০), অপোকপা এমদি কলাম অমদি ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মমাঙ লৈরকতগী এম দি ফৈজ এলিয়স মোহম্মদ (২২), অপোকপা এম দি সনায়াইনি।

ঙসি বেল এপ্লিকান্ট অহুমসিগী হিয়রিং পাঙথোক্লবা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ফিক্স তৌখি। অদুবু কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর (আই ও)গী মায়কৈদগী কেস দাইরি কোর্টতা সবমিট তৌরক্তবদগী খন্নদনা মথং থাগী ৪দা য়েথোকখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি য়েথোকখিবা অসি থারগা বেল হিয়রিং অসি য়েথোকপা থেঙ্খাং মরিরক শুরবনি।

থৌদোকসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বরনা ২৮(৯)২০২০ অন্দর সেক্সন- ৬ পোক্সো এক্ট, ২০১২ অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ১০৭/৩২৫/৩০২ নি।

জেনিমসকী ও পি দি, কেজ্যুএলটি অমসুং ...

লামায় ১গী মখা... জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২০৮ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ৬ পুন্না মীওই ২১৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ১৭, চান্দেলদা ৭, রাজ মেদিসিটিদা ২, বিষ্ণুপুরদা ২০, চুড়াচান্দপুরদা ১৬, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫, ককচিংদা ৩, নোনেদা ২, আর দি ৱিংদা ১, সেনাপতিদা ৪, তেংনৌপলদা ৩, থৌবালদা ১৫, উখ্রুলদা ১, জেনিমসতা ৩১, ইসসেন্টতা ৩, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩২, শিজ হোস্পিটালদা ১৩, হিলসাইদ হোস্পিটালদা ১, তমেংলোংদা ৩৩, সী এম সীদা ১, এসিয়ন হোস্পিটালদা ১ অমসুং কাংপোকপীদা ৩ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা নুপী ১১২ অমসুং নুপা ৯৬ য়াওরি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩৫, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৫৫, থৌবালদগী ২০, উখ্রুলদগী ৩, নোনেদগী ২, চান্দেলদগী ৮, কাংপোকপীদগী ৩, ককচিংদগী ৪, তমেংলোংদগী ৩৪, চুড়াচান্দপুরদগী ১০, তেংনৌপলদগী ৪, সেনাপতিদগী ৬ অমসুং বিষ্ণুপুরদগী ২৪ নি। পোজিটিভ ওইরবা খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা মীওই ঙাক্তনি। মখোয় কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমখিবগা লোয়নন কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবক চথুরি।

নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ২১৪ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশিং ১৬,২৭৬ য়ৌরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৩,৫৯০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৬৮৬ নি। লায়না-লাইচৎ নারম্বদগী ফগৎলক্নবা কেস মশিংনা ১২,১৯৭ শুরে। ফগৎলক্নবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৯৮৩৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৩৫৯ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৪.৯৩ নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ৩৯৫৫ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৬৩২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৩২ য়াওরি।

লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্নবা মীওই ১৩৮ সু ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি সী এ পি এফকী ৫, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবা ১০, রিমসতগী ১২, লমদিংদগী ১৭, সধভাবনাদগী ২, লানভাদগী ১, আর দি ৱিংদগী ৮, য়ুনাক্কোদগী ৩০, এল কে কেদগী ২০, থৌবালদগী ১১, বিষ্ণুপুরদগী ১১, সেনাপতিদগী ৩, পি আর ককচিংদগী ৩ অমসুং তমেংলোংদগী ৩ নি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সিল্ক রিলিং য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : মীপাল তাংদনা হিংবা ঙম্নবা অমদি ইশাগী শেন্থোক লম্বী লৈজবা ঙম্নবগী পান্দমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসরগী মখাদা লৈবা মুগাগী লং অমদি মুগাগী ফি পুথোক্নবা নম্বোল সাবল লৈকায়দা লৈবা পুসা চেরি মর্কেন্টাইল এন্ত্রপ্রাইজেস কৌবা সিল্ক রিলিং য়ুনিট অমা হৌনবী মতুংইন্না সেরিকলচর মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ঙসি রিবন কক্তুনা হাঙদোকখিবগা লোয়নন ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু হীরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী অধক্ষ ডা. রোমাবাই লাইরেঞ্জম, সেরিকলচর দিরেক্টর এস কুঞ্জকিশ্বর অমদি দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসর দেবেনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখিবদা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়ানা থবক শূবগী হৈনবী থমদবা অমদি গভর্ণমেন্টকী থবকখক্তা ঙাইদুনা লৈবগী মহুত্তা ইশা ইশানা থবক পীজবগী ৱাখল্লোন লাকপা মতম ওইরে। ঙসি পায়খৎলিবা থবক অসি য়াম্না ফবা অমনি। চহী খরগী মমাঙদা শূদনা নুংঙাইনা হিংবা অরাইবা মওংদা শেল তান্দুনা ইনাক খুন্নিংবগী ৱাখল্লোন লৈরম্বা অদু ঙসিদি য়াম্না অহোংবা লাকখ্রে। মরম অদুনা মীয়াম্নসু থৱায় য়াওনা হোৎনজবা কয়াদা লৈঙাক অসিনা অমদি দিপার্টমেন্ট কয়ানা অঙম্বা মতেং পাংদুনা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপীবা চংই অমদি মতেং পাংনবা হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সেরিকলচর দিরেক্টর এস কুঞ্জকেশ্বরনা হায়, মণিপুরদা হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী দিপার্টমেন্টনা লেম্না পৈশা পীদুনা কাব্রং থাননবা অমদি তীল য়োক্লবগী প্রোজেক্ট পায়খৎতুনা লাক্লি। অসিগুম্বা ওন্ত্রপ্রেন্যুর কয়া থোক্লকপা অসিনা হেন্না চাউনা মায় পাকপসু ঙমগনি খল্লি। মরম অদুনা তীল য়োকপগী ট্রেনিং ফংখ্রবা বেনিফিসরিজ কয়ানা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবগী হৈনবী থন্বীদুনা দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিবু মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদকোখি।

নীংশিং কুমওন থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দির অমদি নিংথৌখোংদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিনাথ মন্দিরদা চথুরকখিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী চহী ২২২শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং লোইশিনখ্রে।

নুমীৎ নীনি চুপ্না চথুরকখিবা রাজর্ষি লৈখিদবগী চহী ২২২ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা ঙসি অরোইবা নুমীৎতা নিংথৌখোংদা লৈবা গোপিনাথ মন্দিরদা কলচরেলগী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন অমসুং গোপিনাথ সেবায়ট কন্মিটিগা পুন্না পাঙথোকমিন্নখিবা থৌরম অদুদা প্রধা অমদি প্রভনধা লোয়নন মেধান্তাগী পালাশিংনা শৈশক কয়াসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদু লোইশিল্লকপগী শরুক অমা ওইনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হৌদোল্লক্নবা মহা ধুমেনগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাজর্ষি কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী স্পোক্সপর্সন তখেল্লম্বম ইরাবোৎনা হায়খি, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী কুমওন থৌরম অসি চহী খূদিংগী লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মমিং লৈরবা লাইফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু চহী অসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা লমদম অসিগী ওইনা লৈজরিবা লাইফম খরদা পাঙথোকপনি। কুমওন থৌরম অসিদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা মহাক্কী মতমদা হৌদোল্লক্লম্বা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোভিদ মনুংদা পিকনিক তৌবীগনু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কে টুইনেম ভিলেজ কাংগোই অমসুং কে টুইসেনগী মনাক্তা লৈবা সেংৱাই তুরেলদা নোংমগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩০০দগীনা ৪০০ ফাওবা মফম অসিদা লাক্তুনা পিকনিক পার্টি তৌরিবা অসি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী মতম অসিদা তৌবীগনু হায়না মরিং অপ্রাপ এসেম্বলি (এম য়ু এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি পিপা মেরুং দাংসৱানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারনা হায়, সেংৱাই তুরেলদা পিকনিক পার্টি তৌবা লাক্লিবা মীওইশিংনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবা য়াওদবসু নত্তে। অসিগুম্বা থৌওং অসি হৌজিক হৌজিক লমদম অসিদসু কোভিদ-১৯গী অচৌবা চৈথেং লৈরিবা মরম্না মখা তানা পিকনিক তৌবীগনু। করিগুম্বা এম য়ু এগী ৱাফমশিং অসি থওইদনা লাকপীবা তারগদি কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

পেন্সনরস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ১৫শুবা পেন্সনরস দে ২০২০গী থৌরম পিশুমথোংদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী শঙলেন্দা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হোমগী কন্মিস্নার ওইরম্বা রিটায়ার্দ আই এ এস ওফিসর এস কুঞ্জবিহারী, মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ডা. এম রাজেন্দ্র, মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে ধনঞ্জয়, এম জি এস এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট এল শরত, এম জি এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরি পুরুলজিৎ লাইরিকয়েংবম অমসুং এম এস পি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি এল তোম্বীনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন অসিনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা থবকশিং অমদি তুংদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদসু কুপ্না খন্ন-নৈনখি হায়নসু মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এল তোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস কোম্মেমোরেসন নুমিৎ পাঙথোক্তুনা...

লামায় ১গী মখা... পুলিস পর্সনেলশিংদা লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদসু থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মফমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

সোলিসিটর জেনরেল কারক্তবদগী ...

লামায় ১গী মখা... বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখিবদা কোংগ্রেস এম এল এশিং কৈশাম মেঘচন্দ্র, সুর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং কাংঙুজম রঞ্জিৎনা টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা এম এল এ খরা দিসক্বালিফাই তৌনবা ৱাকৎখ্রগা এম এল এ খরনা দিসক্বালিফাই তৌরগা খরবুনা তৌখিদে হায়বগী মতাংদা ৱাখৎলকপা পিটিসনশিং পুন্না লিষ্ট তৌখি। অদুগা মোইরাংথেম চন্দ্রশেখর কৌবা এপ্লিকান্ট অমনা এক্স-এম এল এ য়েঙ্খোম শুরচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর- ১১২ ওফ ২০২০ সু লিষ্ট তৌখি।

ষ্টেটসিদা লৈরিবা বি জে পিগী ...

লামায় ১গী মখা... লাউথোকউ। খুঙ্গং চৎলু, চীংদা চৎলু, স্কুল চৎলু হায়বা স্কিমশিং নত্তনা বি জে পি লৈঙাক অসিনা করি তৌরিবগে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। লুপা ক্রোর ক্রোর থাদদুনা স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট পায়খৎকনি হায়রম্বা অদুসু হৌজিক তুমীন্না লৈখ্রে। চীন্দা পংলাও লাউরগা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা তৌবীগনু।

মীখল অসিদা কোংগ্রেসতগী মায় পাকখ্রগা ওপোজিসন্দা লৈগনি হায়বা মীপায়বা মীয়াম্না তৌবীগনু। এম এল এ অমা ওইবগী ফংফম থোকপা খূদিংমক লৌদুনা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎকনি। ওপোজিসন্দা লৈ হায়দুনা চাকথুং অমত্তা মৎপা য়ারোই। ষ্টেট অসিগী হৌজিক শেল-থুমগী ফীভম অঙকপা ফংনা শোকচিল্লক্লি। সাউথ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী লায়ররবা লৈবাক ওইরগনি হায়না ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দনা ফোঙদোকখ্রবনি। মসি সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা শেল-থুমগী থৌশিল পায়খৎপা হৈতবনা থোকহনবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না থাজনিংঙাই ওইদ্রে। লাক্লিবা মরক্কী মীখল অসিদা ৱাঙ্গৈাই এ সীগী মীয়াম্নসু আই এন সীগী মীরেপ সলাম জয়বু থাগৎপীরক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, এম এল এ ওইরল্লগা টার্ম শুদ্রিঙৈদা এম এল এ ফমদগী তোকখিবা অসিগী মরম করিনো হায়বা মীয়াম্না হংহন্নিংই। মশাগী টার্ম শুদনা এম এল এ ফম থাদোকখ্রবশিংনা অমুক মীরেপ ওইদুনা মীয়ামদগী ভোট নীরিবা অসি ঈকায়নিংঙাইনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক লো লৈতবগা চপ মান্নরে। লৈঙাক অসিনা তৌনিং-তৌনিংবদা তৌদুনা লৈরে। হায়নিংবদা হায়বা, ঙাংনিংবদা ঙাংবা মীওই কয়া অমা লৈঙাক অসিগী কেবিনেট মিনিষ্টর মরক্তা য়াওরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওকেন্দ্রো, এম এল এ কে মেঘচন্দ্র, এম এল এ লোকেশ্বর, ভেটরান পোলিটিসিয়ন ও জয়, এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রম অমদি কোংগ্রেস পার্টিগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

মরক্কী মীখল : মীওই ১৫গী ...

লামায় ১গী মখা... তৌবগী পীশিল্লকখিবা অইবা চেরোল অদু ময়াম মমাঙদা পাথোকখিবগা লোয়নন আর ওনা এম দি অব্দুল নাসিরগী এফিদেবিটতা য়াওরিবা ৱারোলশিংগী মতাংদা ওবজেক্সন অদু ইলেক্সন পিটিসন ওইনা থাঙ্গৎতুনা ৱাকৎপীননবা ৱাফম থমখি। লোয়নন ওবজেক্সন অদুনা নোমিনেসন পেপর রিজেক্ট তৌবগী মরম ওইবা য়ারোই হায়বগী শুগায়বা ৱাফমসু আর ওনা থমখি। তুংদা এক্স-এম এল এ অব্দুল নাসিরগী মীরেপচে অদু অয়াবা পীখি।

তুংদা আর ওগী রুমদগী থোক্লক্লবা মতুংদা ৱাংময়ুম রেস্মানা পাউমীশিংদা হায়খি, এক্স-এম এল এ অব্দুল নাসিরনা মহাক্কী মীরেপচেদা হাপ্লিবা একাদেমীক এজ অসি মহাক্না মেত্রিক থাবা মতমদা চহী ১১ খক্তা ঙাইরি। মসিদি ইলিগেল ওই। মরম অদুনা হীরমসিগী মতাংদা কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী ঙসি পাঙথোকখিবা স্ক্রুটিনিদা আর ওনা অয়াবা পীখ্রবা মীরেপচেশিং অদুদি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী পাওনম ব্রোজেন, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মোইরাংথেম হেমন্ত অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইগদৌরিবা সরাংথেম মনাওবীনি।

ৱাঙ্গৈাই এ সীগী ওইনা পাঙথোকখিবা স্ক্রুটিনিদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ও লুখোই, নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী খুরাইজম লোকেন অমসুং ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী সলাম জয়না পীশিল্লকখিবা মীরেপচেশিং আর ওনা অয়াবা পীখি। এক্স-এম এল এ ওইনাম লুখোইদি হৌজিক হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবনি।

সাইটু এ সী ওইনা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী লমতিনথাং হাওকিপ অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ঙমথং হাওকিপনা পীশিল্লকখিবা মীরেপচেশিং স্ক্রুটিনি তৌরবা মতুংদা আর ওনা অয়াবা পীখি।

সিংহাট এ সীগী ঙসি পাঙথোকখিবা স্ক্রুটিনিদনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী গিন্সুৱানহাও অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইননবা চিনলুন্থাংগী মীরেপচেশিং আর ওনা অয়াবা পীখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সি মঙাদা মীরেপ ওইননবগীদমক মীওই ১৫ না পীশিল্লকখিবা মীরেপচেশিং মরী লৈনবা আর ওশিংনা অয়াবা পীখ্রবসু মীরেপ খরগীদি মীরেপচে লৌথোক্লবা য়ানা লৈরি। লিলোং এ সীদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইননবা মীরেপচে পীশিল্লকখিবা ৱাংময়ুম রেস্মাগী মীরেপচে লৌথোক্লবা য়াই হায়না পোলিটিকেল এনালিষ্টশিংনা পান্নরি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা ওক্টোবর ২৩ নি।

মহৈরোয় লূপ ৬কী থৌমীশিংনা ...

লামায় ১গী মখা... নাদবা অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়ানা নারবা মীওই কয়া হৌজিক-হৌজিক লায়েংফম লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নবতা নত্তনা অশি-অনা কয়া থোক্লি। মরম অদুনা নন-কোভিদ পেসেন্টশিংবু জেনিমস নৎত্রগা রিমসতা লায়েংবা য়ানবা শিনগদবনি। হৌজিক চৎথরিবা য়াম্না দেম্মোক্রেটিক ওইবা খুৎথাং চারা হেনবগী খোঙজং অসিবু থৌশাবিদবগী থৌওং লাক্লগদি মসিদগী হেনবা কনবা খোঙজং চঙশিন্নবসু শেম শাদুনা লৈরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মহৈরোয় লূপ ৬না পীশিনখিবা প্রপোজেল অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অদু অথুবা মতমদা কুপ্না খন্নবিরবা মতুংদা থবক্তা ওন্থোকপীরকউ হায়না অপিল তৌজিরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।